১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

## মুভানলাইনা দি এম রাওবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে, নিসা অমসুং ৱাই য়ু এফ সী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মুভানলাইনা দি এম রাওবু মায়থীবা পীখি। অদুগা নিসা অমদি ৱাই য়ু এফ সী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা মুভানলাই অমসুং দি এম রাও লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক মাংজিল থানা ফুল পোইন্ট ফংনবা অকনবা প্রেসরগা লোয়নননা শান্নরকখি। টিম অনীনা চথুবা এটেক্তা পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবা খুদোংচাবা কয়া য়াওরবসু অহানবা হাফ ফাওবা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক অহেনবা প্রেসরগা পীদুনা এটেক হাংবা ঙম্নবা শান্নরকখি। হাফ অসিগী মিনট ২০ রোমদি পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। অদুবু মুভানলাইগী এটেক অমদা শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী গিনমিনথাং জর্সি নম্বর ৭না একাউন্ট হাংদুনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাবা হৌখি। মখা তাবা মিনটতা দি এম রাওনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখি। অদুবু মুভানলাইগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকখিবদগী পাঞ্জল চলহন্দনা লৈখিবদগী দি এম রাও মুভানলাইগী মখুৎতা ০-১দা মায়থীহৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা নিসা অমসুং ৱাই য়ু এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা হাফ হৌরকপদা নিসানা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক কয়া চথুখি। অদুবু খঙহৌদনা ৱাই য়ু এফ সীগী কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় এস কগালি জর্সি নম্বর ৩০না ৩৪শুবা মিনটতা একাউন্ট হাংদুনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাখি।

মখা তাবা অহানবা হাফকী লেমহৌবা মিনটশিংনা এটেক কয়া চথনখি। নিসানা চথুরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী মৈরাবা জর্সি নম্বর ৭না ইক্বেলাইজর চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্কা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা মঙওংদা শান্নরকখি। টিম অনীমক্কা এটেক কয়া চথুদুনা পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া য়াওরবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা লৈনখিবদগী মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা এস য়ু অমদি ৱাই পি ঐচ য়ুগা লম্বা তৌনগনি।

৪শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

## অহৌবা নুমিৎতা এ স্কৱার পাটশোইনা য়েনিং এফসী অৱাং খুনৌবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): পাটশোই টুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব (পি টি সী সী) পাটশোই পার্ট-৩না শীন্দুনা টিম ১৮না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্লগা '৪শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০' ঙসি পি টি সী সীগী গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে। অহৌবা নুমিৎতা এ স্কৱার পোৎশোইনা য়েনিং এফ সী অৱাংখুনৌবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেন অমদি ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী দিপ্যুতি চেয়ারমেনসু ওইরিবা সোরোকখাইবম রাজেন সিংহ, চঙাঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়টকী জিলা পরিষদ এস মারজিৎ, পাৎশোই গ্রাম পঞ্চায়টকী জিলা পরিষদ লৌরেম্বম ওংবী লাংলেন লৈমা, পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী হৈস্নাম সঞ্জয়, কে এন্দ কে ইন্দেন সার্ভিসকী প্রোপাইটর অঙোম বোবি, আই আই টিগী রিটয়র্দ দিপ্যুতি দিরেক্টর তাওরেম সনাজাওবা সিংহনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

অহৌবা নুমিৎকী মেচতা এ স্কৱার পোৎশোই অমসুং য়েনিং এফ সী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা এ স্কৱার পাৎশোইনা পোজিসন ফজনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা এ স্কৱার পাৎশোইগী একাউন্ট ইনাওতোন জর্সি নম্বর ১১না চন্দুনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি। মখা তাবা মিনটতা য়েনিং এফ সীনা অহেনবা প্রেসরগা লোয়নননা ইক্বেলাইজর ফংবা হোৎনখ্রবসু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা য়েনিং এফ সী অৱাং খুনৌগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা শান্নখিবা টেক্নিক্তগী খরা হোংদোক্তুনা ফজনা শান্নরবসু এ স্কৱার পাৎশোইগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকখিবদগী পাঞ্জল চনবা ঙমদনা য়েনিং এফ সীবু এ স্কৱার পাৎশোইনা ০-১দা মায়থীবা পীখি।

হয়েংগী মেচতা দ্রেস হাউস এফ সী অমসুং আর এফ সী নুংমিৎয়ুংবা পুং ১২.০০ তাবা মতমদা শান্নগনি। নুংথিলগী পুং ১.০০ তাবা মতমদনা পান্থোইবী এফ সী অমসুং এস ৱাই দি এ লম্বা তৌনগনি। পুং ২ তাবা মতমদা ঈ এস সী অমসুং ঙাইরাংবম এফ সী অমদি পুং ৩ তাবা মতমদা রতন জ্বেলরি অমসুং পি টি সী সী লম্বা তৌনগনি।

## এম পি এস সীগী শাফবশিং অমসুং কোচ ওকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী মেদল লৌরক্লবা শাফবশিং অমসুং কোচপু ঙসি ক্লব অসিগী সেক্রেটরীগী ওফিসতা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ফেব্রুৱারী ২৪দগী ২৮ ফাওবা হরিয়ানাগী কর্নালদা লৈবা মধুবন্দদা পাঙথোকখিবা ৬৮শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস রেষ্টলিং ক্লষ্টর (রেষ্টলিং, বোক্সিং, ৱেথলিফটিং, বোদি বিল্ডিং অমসুং কবাদি) চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী রাইফলমেন এল ওকেন্দ্রোনা বোদিবিল্ডিং কে জি ৬০গী কেটগরিদা গোল্ড মেদল ফংলকখি। হবিলদার এন জি সুরচন্দ্রনা কে জি ৯০দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা জিমেদার এন কিসননা কিলোগ্রাম ৬৫গী কেটগরিদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি।

শাফবশিং অসিগী কোচকী থৌদাং লৌদুনা হবিল্ডার ৱাই নিলবিরনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াখি হায়না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ইন্দিয়াগী মৈরাবা লুৱাং মায়থীহৌরে, তানিয়া ৪শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

বর্লিন, মার্চ ০৬(এজেন্সী): জর্মনিগী সিটি বর্লিনদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা জর্মন বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা জুনিয়র ইন্টর্নেসনল গ্রান্দ প্রি টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা জর্মন জুনিয়র ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২০গী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং মায়থীহৌরে। অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় তানিয়া হেমান্থ ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর ১ সিদেদ ওইখিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং অহুমশুবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোয় রিকি তাকৈগা লম্বা তৌনবদা ৯-২১, ২১-১৭, ১৭-২১দা মায়থীহৌবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা সিদেদ ওইখিবী তানিয়া হেমান্থনা ঙসি অহুমশুবা রাউন্দদা মলেসিয়াগী শান্নরোয় তান ঝিং য়িবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-১২, ২১-১২তা থোইদুনা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না মরিশুবা রাউন্দ অদুদা হোংকোংগী শান্নরোয় সেং সিন য়ান হেপ্পি সেরেনাগা লম্বা তৌনরগনি।

## অহানবা লিজেন্দরি এল মনিহার মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): সৈজাং প্রোগ্রেসিপ য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা এস পি ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা লিজেন্দরি লাইরেনলাকপম মনিহার মেমোরিএল লম্লাই কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা অহানবা গ্রাউন্দদা এম ৱাই সী (এ) অমদি ই য়ু এস সী তেলৌ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা লম্লাই এফ সীনা ইঙতোন্বী এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা সী ঐচ ৱাই য়ু সীনা এম ৱাই সী (বি)বু পাঞ্জল ৬-০দা চাওনা থোইবা ঙমখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতনা হৈকক মপাল এফ সীনা এন কে এফ সীবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

## ৩০শুবা প্রোগ্রেসিপ এন্যুএল স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লমজিংদা লৈবা প্রোগ্রেসিপ ইংলিস স্কুলনা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চথুগদবা ৩০রকশুবা এন্যুএল স্পোর্টস মীট ২০২০ ঙসি এদ্যুকেসন ইনহেসমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ঈ ঈ ও) লমজিংগী গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

স্পোর্টস মীট হৌদোকপগী থৌরমদা প্রোগ্রেসিপ ইংলিস স্কুলগী প্রসিদেন্ট এল প্রেমজিৎ সিংহ, স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল টি ঐচ রাজনিকান্তা, সেক্রেটরী এন রোবিন্দ্রো সিংহ, রিটয়র্দ টিচর এন বিরেন, রিটয়র্দ টিচর এল কহ্নাই, হান্নগী কাউন্সিল্লর এল রামেশ্বর, স্কুল অসিগী ওজা এন জি নিত্যাইচান্দ অমসুং এম দি য়াকুপ অলি অমদি অতৈ মীওই কয়ানা দাইস মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা স্কুল অসিগী এদভাইজর ৱাই থেম্বোই সিংহনা স্কুলগী ফিরাল চীংখৎতুনা অমদি মহৈরোয়শিংগী টোর্চ রেল্লি অমগা লোয়নননা হৌদোকখি।

এন্যুএল স্পোর্টস মীট হৌদোকপগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী তোঙান-তোঙানবা হাউসশিংগী মার্চপাস কন্টিনজেন্টশিংনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী ঈ ঈ ও লমদিংগী গ্রাউন্দ তম্না লাক্তুনা ঙসিগী অথোইবা মীথুংলেনশিংদা মার্চপাস সেলুট পীখি অমদি মকোক মথং তাবশিংসু খনখি।

ফর্স্ত টি ঐচ অনৌবী দেবী মেমোরিএল ৪-এ সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

## ও এস এ, রোমেন এফ সী (এ), সুরমা এফ সী অমদি রোমেন এফ সী (বি) মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ য়ুথ ওর্গনাইজেসন (য়ু ৱাই ও) শীংজমৈ ৱাংমা ভৈগ্যাপতি লৈকাইনা শীন্দুনা টিম ৩৪না গ্রুপ ৫ থোক্লা লম্বা তৌনগদবা ফর্স্ত দে এন্দ নাইট ওপন ৪-এ সাইদ থোকচোম অনৌবী দেবী মেমোরিএল সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ও এস এনা ৱাই এফ সীবু, রোমেন এফ সী (এ)না সন্দে এফ সীবু, সুরমা এফ সীনা বোনি এফ সীবু অমদি রোমেন এফ সী (বি)না মারজিং এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।



অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা ও এস এনা ৱাই এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। ও এস এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু বিহারি জর্সি নম্বর ৯না ১৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ৩২শুবা মিনটতা টিমমেট রাধাকান্ত জর্সি নম্বর ১১না চনখি। মিনট অমা কান্নরবা মতুং ৩৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় এস কে জর্সি নম্বর ১০না চল্লবা মতুং ৩৯শুবা মিনটতা রাধাকান্তগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা পুন্না পাঞ্জল ৪-০দা ৱাই এফ সীবু মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা রোমেন এফ সী (এ) অমসুং সন্দে এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অপীবা মতমগী মনুংদা সন্দে এফ সী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। অদুগা রোমেন এফ সী (এ)না পাঞ্জল ২ চন্দুনা সন্দে এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীখি। রোমেন এফ সী (এ)গী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু প্রেমজিৎ জর্সি নম্বর ৯ অমদি নোংবা জর্সি নম্বর ১০না চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা সুরমা এফ সী অমসুং বোনি এফ সী লম্বা তৌনখি। মদুদা সুরমা এফ সীনা বোনি এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। সুরমা এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু বসন জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল অহুম্মক চনবা ঙমখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দদা রোমেন এফ সী (বি) অমদি মার্জিং এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি রোমেন এফ সী (বি)না মার্জিং এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। রোমেন এফ সী (বি)গী মায়কৈদগী চীতরঞ্জন জর্সি নম্বর ৭ অমদি বিক্রমজিৎ জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা মার্জিং এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় অকাস জর্সি নম্বর ১১না চনবা ঙমখি।

১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০

## দ্রেস হাউসনা সভেন ষ্টারবু, নোংগ্রেন এফ সীনা সেক্তা (বি)বু অমদি মঙাল এফ এনা রাও এফ সীবু থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫(ঐচএনএস): ওরিন্টেল ফুটবোল একাদেমি (ও এফ এ) পুংদোংম্বমনা শীন্দুনা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা ও এফ এ গ্রাউন্দ পুংদোংম্বমদা চথুরিবা ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ মেচশিংদা দ্রেস হাউস পাৎশোইনা সভেন ষ্টার লংথবালবু, নোংগ্রেন এফ সীনা সেক্তা (বি)বু অমদি মঙাল এফ এনা রাও এফ সীবু মায়থীবা পীবা ঙমখি।

কপ অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা দ্রেস হাউস পোৎশোই অমদি সভেন ষ্টার লংথবাল লম্বা তৌনখি। মদুদা দ্রেস হাউসনা সভেন ষ্টারবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

দ্রেস হাউসকী পাঞ্জলশিং অদু কিসন জর্সি নম্বর ১৮না পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা চুংমৈ জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা নোংগ্রেন এফ সী অমসুং সেক্তা (বি) লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা টিম অনীমক্না লম্বা মান্ননা শান্নখ্রবসু নোংগ্রেসন এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা সেক্তা (বি)বু মায়থীবা পীবা ঙমখি। নোংগ্রেন এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় রাকেস জর্সি নম্বর ৮না চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা মঙাল এফ এনা রাও এফ সীবু পেনাল্টিদা পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীখি। মেচ অসিদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১দা লৈনখিবদগী পেনাল্টি কাউনখি। মদুদা মঙাল এফ এনা পাঞ্জল ৫ চনখি অদুগা রাও এফ সীনা ৪ চনখি।

ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিএল টুর্নামেন্ট

## নন্দো এফ সী অমদি সৌয়া হৈরোক মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): কম্যখা সোসল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাং মমাঙ লৈকাইনা শীন্দুনা কে এস ৱাই সী গ্রাউন্দ হিয়াংথাংদা চথুরিবা ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ নাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা নন্দো এফ সী অরাপতি অমদি সৌয়া হৈরোক মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



ক্বার্টর ফাইনেল অসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেচতা নন্দো এফ সী অরাপতিনা এন ৱাই সী নাওরেমবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীখি। শান্নবগী হৌরকপা ২শুবা মিনটতা কবিরাজ জর্সি নম্বর ৬না চন্দুনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাবা হৌখি। মিনট খরা কান্নরবা মতুং শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা টিম অসিমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় সুরজকান্তা জর্সি নম্বর ৭না চন্দুনা পাঞ্জল ২ শুহনখি।

পাঞ্জল ২ শোথরবা এন ৱাই সীগী মায়কৈদগী ১৪শুবা মিনটতা নাওতোন জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা নন্দো এফ সীগী মায়কৈদগী চীংখৈনা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিল্লবা মতুং শশন্নবগী ২৪শুবা মিনটতা চীংখৈনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৪-১দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা এন ৱাই সীগী টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা নাওতোননা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিল্লবা মতুং ৪৯শুবা মিনটতা নন্দো এফ সীগী চথুরকপদা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় রোনাল্ডো জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিল্লগা ৫-২দা নন্দো এফ সী না এন ৱাই সীবু মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা সৌয়া হৈরোকনা এম এম এফ সী উৎলৌবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখি। সৌয়াগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু সিটল জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল ২ অমদুগা রোবিন্সন অমদি রোসননা পাঞ্জল অমমম চনখি।



HL-B/6098/4march to 7april

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com